# অনৌবা কোভিদ-১৯ ভেরিএন্টশিং লৈরবা লৈবাকশিংদগী লাকপা ফ্লাইটশিং চঙহন্দনবা প্রাইম মিনিষ্টরদা তকশিনখ্রে

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ২৭ (এজেন্সী): অনৌবা কোভিদ-১৯ ভেরিএন্টশিং থেংনরবা সাওথ অফ্রিকা, বোটস্বানা অমসুং হোং কোংদগী লাকপা ফ্লাইটশিং থিংনবা দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অরভিন্দ কেজ্রিৱালনা থাংজ নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা তকশিনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর কেজ্রিৱালনা থাংজ নুমিৎতা ত্বীট অমদা হায়খি, অনৌবা ভেরিএন্টনা শোকহল্লবা লৈবাকশিংদগী লাকপা ফ্লাইটশিং লৈবাক অসিদা চঙলকপা থিংনবা ঐহাক্না ওনরেবল প্রাইম মিনিষ্টরদা হায়জরি। য়াম্না ৱানা হোৎনদুনা ঐখোয়গী লৈবাক অসি কোরোনাদগী রিকোভর তৌরে। অনৌবা ভেরিএন্ট অসি ইন্দিয়াদা চঙলকপা থিংনবা ঐখোয়না লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং খূদিংমক লৌখৎকদবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা চ্যের লৌদুনা, কোভিদ-১৯গী ফিভম অমসুং ভেক্সিনেসনগী মরমদা খন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্লিঙৈগী মাঙওইননা কেজ্রিৱালনা ত্বীট অসি থাদোরকপনি। মীফম অদুদা কেবিনেট সেক্রেটরি রাজিভ গৌডা,




প্রাইম মিনিষ্টরগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি পি কে মিশ্রা, য়ুনিয়ন হেল্থ সেক্রেটরি রাজেশ ভুশন অমসুং নিটি আয়োগকী মেম্বর (হেল্থ) ডা. ভি কে পোল শরুক য়াগনি।

সাওথ অফ্রিকাদা অনৌবা কোভিদ-১৯ ভেরিএন্ট-ওমিক্রোন দিটেক্ট তৌবগী পাউ তাবদগী ইন্দিয়াগী সাইন্টিষ্টশিং অমসুং হেল্থ এক্সপর্টশিংনা হায়রি মদুদি কোভিদ ইনফেক্সনগী অনৌবা ৱেভশিং লাকপা য়াবনা ঐখোয়না লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং থুনা অমসুং ইফিসেন্ট ওইনা লৌখৎহৌদ্রবদি লৈবাক অসি ৱেভ কয়া মায়োক্নরকপা য়াই।

অনৌবা ভেরিএন্ট অদুবু ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না ভেরিএন্ট ওফ কন্সর্ন অমনি হায়নসু লাউথোকখ্রে।

ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা লেট্টর অমদা হেল্থ সেক্রেটরি রাজেশ ভুশননা হায়খি, কোভিদ-১৯ ভেরিএন্ট অমা ওইরিবা বি. ১.১৫২৯ অসিগী কেসশিং বোটস্বানা (কেস ৩), সাওথ অফ্রিকা (কেস ৬) অমসুং হোং কোং (কেস ১) থেংনরে হায়না ইন্দিয়াদা নেসনল সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল (এন সী দি সী)না গর্ণমেন্টতা খঙহল্লক্লে।

ভেরিএন্ট অসিগী ম্যুটেসন মশিং ৱাংবনা হন্দক্তা ভিজাগী অথিংবশিং কোমথোকপগা লোয়ননা ইন্টরনেসনল ত্রাভেল য়াহনখ্রবা লৈবাক অসিগী পব্লিক হেল্থতা খুদোংথীনিংঙাই ওইরকপা য়াই।

মরম অদুনা লৈবাক অসিদগী লাকপা নৎত্রগা লৈবাকশিং অসি ফাওরিবা ইন্টরনেসনল ত্রাভেলর পূম্নমক স্ক্রিনিং অমসুং টেষ্টিং মথৌ তাই। মসিগী মথক্তা ইন্টরনেসনল ত্রাভেলরশিং অসিগী কন্টেক্টশিংসু এম ও ঐচ এফ দব্লিয়ু গাইদলাইনাংগী মতুং ইন্না ত্রেক তৌবগা লোয়ননা টেষ্ট তৌগদবনি হায়না লেট্টর অদুদা পনখি।

# ‘কোভিদ ভেক্সিনশিং অনৌবা ওমিক্রোন ভেরিএন্টকী মায়োক্তা ইফেক্টিভ ওইবা য়াই’

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ২৭ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা হৌজিক শীজিন্নরিবা ভেক্সিনশিং নৌনা দিটেক্ট তৌবা ওমিক্রোন কোভিদ ভেরিএন্টকী মায়োক্তসু ইফেক্টিভ ওইবা য়াই হায়না সাওথ অফ্রিকাগী হেল্থ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

বি ১.১.৫২৯ কৌবা অনৌবা ভেরিএন্ট অদু সাওথ অফ্রিকাদা মশিং য়ামদনা দিটেক্ট তৌরে। ইরাই নুমিৎতা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না অনৌবা ভেরিএন্ট অসিদা গ্রীক লেট্টর ওমিক্রোন এসাইন তৌখি।

সাওথ অফ্রিকাগী হেল্থ মিনিষ্টর জো ফালাগী মতুং ইন্না, হৌজিক লৈরিবা ভেক্সিনশিং অসি অনৌবা ভেরিএন্টনা থোক্লকপা য়াবা শাথিবা কোভিদ লায়না থিংবদা ইফেক্টিভ ওই হায়না লৌবা য়াই। ওমিক্রোন ভেরিএন্ট অসি জিনেটিক কম্পোজিসননা মরম ওইদুনা হেন্না শন্দোক্নবা য়াই হায়নসু ফালানা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা মালেমগী মরু ওইবা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন মেন্যুফেকচররশিংনা ইরাই নুমিৎতা হায়খ্রে মদুদি, মখোয়না থুনা ইনভেষ্টিগেট তৌদুনা হৌজিক লৈরিবা মখোয়গী ভেক্সিনশিং অদু ম্যুটেসন ৱাংলবা ভাইরসকী অনৌবা ষ্ট্রেন অদুগা চান্নহন্নবা হোৎনরগনি।

দব্লিয়ু ঐচ ওনা হায়রি মদুদি অনৌবা ষ্ট্রেন অদু ভাইরস অসিগী মমাঙগী ম্যুটেসনশিংদগী হেন্না রি-ইনফেক্সনগী রিস্ক ৱাংবা য়াই।

ফাইজর অমসুং বাইওএনটেকনসু মখোয়না ম্যুটেসন ৱাংবা অনৌবা ভেরিএন্ট অদু ইনভেষ্টিগেসন তৌরি হায়না ফোঙদোকখ্রে কম্পনিশিং অসিনা হায়, মখোয়না চয়োল তরুক্কী মনুংদা মখোয়গী এম আর এন এ ভেক্সিন অদু অনৌবা ভেরিএন্টকা চানহন্দুনা নুমিৎ ১০০গী মনুংদা ভেক্সিন বেটচশিং চাইথোকপা ঙমগনি।

মোদর্না, জোন্সন এন্দ জোন্সন অমসুং অষ্ট্রা জেনেকানসু অনৌবা ভেরিএন্ট অদু ইনভেষ্টেগেট তৌরি হায়না ফোঙদোরক্লি। মোর্দনানা হায়রি মদুদি কম্পনি অসিনা দোজ খরা হেন্না ৱাংবা অমা য়াওনা বুষ্টর কেন্দিদেট অহুম ওমিক্রোনগী মায়োক্তা টেষ্ট তৌরগনি। ভেরিএন্ট অসিগী ওইবা বুষ্টর দোজ অমসু দিভলপ তৌরগনি।

সাওথ অফ্রিকাদগী থোক্লকখিবা ভেরিএন্ট অসিগী ম্যুটেসন ৫০ রোম লৈবগী মনুংদা ৩০ হেন্না স্পাইক প্রোটিনদা ওইদুনা ভাইরস অসিবু মীওইবগী সেলশিংদা নপশিনবা ঙমহল্লি। অনৌবা ভেরিএন্ট অসিনা শন্দোকপগী মওং অঙনবা ষ্টেজ ওইরিবনা ভেক্সিন কাপ্লবা মীওইশিংদা ইনফেক্সন কয়াম শাথিরক্কদগে হায়বসি খঙবা ঙমদ্রি।

# ওনলাইনদা গঞ্জা সপ্লাই তৌরম্বা মীওই মঙা ফারে

ভিসাখাপটনম, নভেম্বর ২৭ (এজেন্সী): মধ্য প্রদেশ পুলিসনা মীওই অনী ফাবগা লোয়ননা ওনলাইনদা গঞ্জা য়োনবগী রেকেট অমগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা অন্ধ্র প্রদেশ পুলিসনা মীওই মঙা ফারে হায়না থাংজ নুমিৎতা টোপ পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অসিগী মতুং ইন্না, অন্ধ্র প্রদেশকী মীওই অনিগী কন্টেক্ট পোইন্ট ওইনা থবক তৌবা শ্রীভাস রাও কৌবা অমনা ভিসাখাপটনমদগী অন্ধ্র প্রদেশতা গঞ্জা সপ্লায় তৌখি। মহাক্না গঞ্জা সপ্লায় তৌরিবদু দাইবিটিস কন্ট্রোল তৌবা অয়ুরভেদিক হীদাক অমা ওইননি।

স্পেসল ইনফোর্সমেন্ট ব্যুরো (এস ঈ বি)গী জোইন্ট দিরেক্টর এস সতিশ কুমারনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা, গেং অদু হৌখিবা থা ৭-৮ এক্টিভ ওইরকখি অমসুং মখোয়না ওনলাইনগী খূথাংদা অথিংবা থম্বা পোৎলম ওইরিবা গঞ্জা কে জি ৬০০-৭০০ য়োল্লম্বা য়াই হায়না পারি।

গঞ্জা য়োনবদা এক্যুজশিং অসিনা অতৈ ঈ-কম্মর্স প্লেটফোর্মশিংসু শীজিন্নরমগদ্রা হায়বসিসু খঙদোক্নবা ইনভেষ্টিগেসন অদুগী স্কোপ চাউথোক্লে।

ওফিসল অসিগী মতম ইন্না, অন্ধ্র প্রদেশতা ফাখিবা মুকুল জাইশৱাল অমসুং সুরজ পৱাইয়াবু ৱাহং-পাউহং চত্থরবদি অহেনবা ফেক্টশিং খঙলক্কনি। মীওই অনী অসি হৌখিবা চয়োলদা ভিন্দ পুলিসনা ফাখি অমসুং মখোয়দগী গঞ্জা কেজি ২০ হেন্না রিকোভর তৌখি।

মীওই অনী অসি সুগর কন্ট্রোল তৌবদা শীজিন্নবা অকংবা ষ্টেভিয়া মনাশিং সপ্লায় তৌনবা এমাজনদা ভেন্দরশিং ওইনা রেজিষ্টর তৌখি অমসুং মখোয় অতৈ কম্পনিশিংগী জি এস টি নম্বরশিং শীজিন্নখি।

# এস দি এম কোলেজগী অকোইবদা লৈবা এদ্যুকেসনল ইন্সটিট্যুটশিং থিংজিনখ্রে

বেঙ্গলুরু, নভেম্বর ২৭ (এজেন্সী): এস দি এম মেদিকেল কোলেজগী মহৈরোয় খরসু টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা কোলেজ অসিগী অকোইবদা মিটর ৫০০না কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা এদ্যুকেসনল ইন্সটিট্যুট পূম্নমক ছুতি থাদোকখ্রে।

ইরাই নুমিৎতা কেস মশিং ১৮২ শুরকপদগী হায় এলর্ট লাউথোকখি। কোলেজ অসিগী মহৈরোয়শিং অমদি ষ্টাফ মেম্বরশিং পূন্না মীওই ২,৫০০গী টেষ্ট রিজল্টশিং ঙাইরি। শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক্তা মহৈরোয় ৬৬ পোজিটিভ ওইখি অমসুং অনীশুবা ফেজগী টেষ্ট রিজল্টশিংনা অহেনবা মহৈরোয় ১১৬ ইনফেক্সন লৈরে হায়বসি কনফর্ম তৌখি।

দিষ্ট্রিক্ট কম্মিস্নর নিতেশ পাতিলনা হায়, নভেম্বর ১৭তা ওদিটোরিয়মদা ফঙ্কশন অমা পাঙথোকখি। মদুদা নুমিৎ খরনি লৈরগা লুহোংবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। নভেম্বর ২৫দা অতোপ্পা ফঙ্কসন অমা পাঙথোকখি।

কোলেজ অদুদা ষ্টেট পূম্নমক্তগী মহৈরোয়শিং তম্নবনা মেদিকেল মহৈরোয় ১৮২গী অহল-লমনশিং মমাঙগী চয়োলদা মখোয়গী মচাশিং উনখিবা লৈরবদি মখোয়সু টেষ্ট তৌথোক্নবা পাউতাক পীখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী অথেংবা ফাওবদা কোভিদকী ফিভম ময়েক শেংনা খঙবা ঙমগনি। সেম্পলশিং দি আই এম ঐচ এ এন এম, কে আই এম এম অমসুং এস দি এস লেবশিংদা টেষ্ট তৌরি।

কোলেজ প্রেমিসেসতা লৈবা হোষ্টেল অনী সিল তৌবগা লোয়ননা ইনফেক্সন লৈরবা মহৈরোয়শিং মখোয়গী হোষ্টেল কাশিংদা লায়েংলি। লায়না শন্দোহকন্দনবা মুভমেন্ট পূম্বা থিংবগা লোয়ননা লৌখৎপা য়াবা খোঙথাং খূদিংমক লৌখৎলি। লুহোংবগী ফঙ্কসন অমা য়াওনা ওদিটোরিয়ম অদুদা ইভেন্ট অহুম পাঙথোকখিবনা করি ফিভম লাকপগে হায়বসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা য়েংশিল্লি।

চৈরকসিদা, নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা বেঙ্গলুরুদা লৈবা ইন্টরনেসনল বোর্দিং স্কুল অমগী মহৈরোয় ৩৪ কোভিদ টেষ্টতা পোজিটিভ ওইখি। মমাঙগী চয়োলদা মাদিকেরিগা নক্নবা গালিবীদু ভিলেজদা লৈবা জৱাহরলাল নভোদয়া ভিদ্যলায়া রেসিদেন্সিএল স্কুলগী মহৈরোয় ৩২ কোভিদ পোজিটিভ ওইখি।

# কর্নাটকাদা নর্সিং মহৈরোয় ২৮সু কোভিদ পোজিটিভ ওইরে

মাইসুরু, নভেম্বর ২৭ (এজেন্সী): ধরৱালগী এস দি এম মেদিকেল কোলেজ অমসুং ইন্টরনেসনল বোর্দিং স্কুলগী কেম্পসতা কোভিদ শন্দোরক্লিঙৈ চৈরক্তা মাইসুরু দিষ্ট্রিক্টতা নর্সিং মহৈরোয় ৪৮ লায়না অসি পোজিটিভ ওইরে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা কেস মশিং কনফর্ম তৌবগা লোয়ননা ইনফেক্সন লৈরবা মহৈরোয়শিং অদু নর্সিং কোলেজ অনীগীনি অমসুং চয়োল অমগী মনুংদা মখোয় লায়না অসি পল্লকপনি হায়রি।

মাইসুরু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিস্নর বাগাদি গৌথমনা হায়, মসি ক্লষ্টর কেস অমনি। কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা লাকশিন্নবা মথৌ তাবা খোঙথাং খূদিংমক লৌখৎলে। মহৈরোয়শিং অমুক হন্না টেষ্ট তৌগনি।

কোভিদ পোজিটিভ ওইবা নর্সিং মহৈরোয় পূম্নমক ভেক্সিন মপূং ফানা কাপ্লে অমসুং মখোয়দা লায়ওং অমত্তা চেন্দে হায়না গৌথমনা মখা তাখি। মাইসুরু অসি অনীশুবা ৱেভ মনুংদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনবা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা অমনি। ষ্টেট অসিগী কলচরেল কেপিটেল অমসুং মরু ওইবা টুরিষ্ট লমথুংফম ওইরিবা মাইসুরুগী মীয়াম ওইরক্লিবা ফিভম অদুদা মীপাইবা পোক্নরে। কর্নাটকাদা হৌজিক ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯গী ফিভম খন্নবা সী এম বাসাভারাজ বোম্মাইনা মীফম অমা কৌখ্রে।

# ওপরেসন হৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ২৭ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন ওফিসলগী সিক্যুরিটি ফগৎহন্নবা ইন্দিয়া, শ্রীলঙ্কা অমসুং মাল্দিভসনা নুমিৎ নীনিগী ওইবা মেরিটাইম ওপরেসন হৌখ্রে।

কলম্বোদা লৈবা ইন্দিয়ন হায় কম্মিসন্না ষ্টেটমেন্টনা হায়, ইন্দিয়া-শ্রীলঙ্কা-মাল্দিভসকী মরক্তা ত্রাই-লেটরেল ফোক্কস ওপরেসন নভেম্বর ২৭-২৮ দগী সমুদ্রদা হৌরে। কলম্বো সিক্যুরিটি কনক্লেভকী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্লিবা এক্সরসাইজ অদু মেরিটাইম সিক্যুরিটিগী পিল্লর শেমগৎনবা অহানবা ওইনা লৈবাক অহুম্না পূন্না হোৎনমিন্নবনি। সী এস সী ফোক্কস ওপরেসন অদুগী পান্দমদি ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রসিজরশিং হেন্না ইফেক্টিভ ওইহনবা অমসুং নেভি অহুমগী মরক্তা ইন্টরওপরেবিলিটি ফগৎহনবনি।

# ভিষ্টা প্রোজেক্টকী পেনেল শেম্লে

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ২৭ (এজেন্সী): সেন্ট্রেল ভিষ্টা রিদিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট মোনিটর তৌনবা অমসুং মতম চানা লোইশিনবা ঙম্নবা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা মেম্বর মঙাগী সেন্ট্রেল ভিষ্টা ওভরসাইট কম্মিটি শেমখ্রে।

হান্নগী ফাইনান্স সেক্রেটরি রতন পি ৱাতলনা লুচিংবা পেনেল অদুনা থবক্কী খোঙজেল অমসুং ক্বালিটি য়েংশিনগনি।

শগোলশেন নুমিৎতা ইস্যু তৌবা মেমোরেন্দম অমদা য়ুনিয়ন হাউজিং এন্দ অর্বান এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিনা হায়, প্রোজেক্ট অদুগী মখাদা তোঙান তোঙানবা থবকশিং ইন্টিগ্রেট তৌনবা মল্টি-এজেন্সী অমসুং ষ্টেক হোল্ডর কোর্দিনেসন লৈহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা কম্মিটি অদু শেম্বনি। কম্মিটি অদুনা মতম মতমগী ওইনা প্রোজেক্ট সাইট য়েংশিনগনি।

REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
(An autonomous Institute under Ministry of Health & Family Welfare, Government of India)
LAMPHELPAT, IMPHAL - 795004 : MANIPUR

Fax : 0385-2414625
Phone : 0385-2414539
0385-2414629
e-mail : rims@rims.edu.in
website : www.rims.edu.in

/ NOTICE

Imphal, the 24th Nov., 2021

**No. B/561/2021-SR/RIMS/10061:** A walk-in-interview for Selection of suitable persons for the posts of Senior Residents in the following Departments of RIMS, Imphal will be held on 2nd Dec., 2021 at 11.00 a.m. in the Conference Room of Jubilee Hall, RIMS, Imphal. The appointment is purely on Tenure basis for a limited period of 3 (three) years.

Department wise vacant posts of Sr. Resident are as follows:

| Sl.No. | Name of post | No. of post | Reservation |
|---|---|---|---|
| 1 | Sr. Resident (Medicine) | 4 | UR-3, SC-1 |
| 2 | Sr. Resident (Anatomy) | 1 | UR-1 |
| 3 | Sr. Resident (Orthopaedics) | 1 | SC-1 |
| 4 | Sr. Resident (Cardiology) | 1 | UR-1 |
| 5 | Sr. Resident (CTVS Unit) | 1 | UR-1 |
| 6 | Sr. Resident (Nephrology) | 1 | UR-1 |

For full details please visit the Institute website: **www.rims.edu.in**
# Applications of candidates willing night duty shall only be entertained.

Sd/- **K. Doungel**, Deputy Director (Admn.),
Regional Institute of Medical Sciences, Imphal

HL-B/7313/28

Office of the
MANIPUR RENEWABLE ENERGY DEVELOPMENT AGENCY (MANIREDA)
(An Autonomous Govt. Agency under the Deptt. of Power)
2nd Floor, South Block, Secured Office Complex, Near 2nd M.R. Gate, Imphal-Dimapur Road, Imphal - 795001

/ NOTICE INVITING BID

No. : MANIREDA/SPP/PS/2021-22/2 dtd. 24/11/2021

Tenders are invited from eligible Firms for Renovation of existing 5 kWp Off-Grid SPV Power Plants each at 15 Police Stations in Valley Districts and 3 Police Stations in Hill Districts of Manipur including 5 years Maintenance and Performance Warranty Contract (MPWC).

| Cost of Bid Document | Last date & time for submission of Tender | Last date & time for opening of Tender |
|---|---|---|
| Rs. 1,000/- | 15/12/2021 upto 12.00 Noon | 15/12/2021 at 2.00 p.m. |

Tender Document can be downloaded from the website www.manireda.com or www.manipur.gov.in Bidders have to submit the Bid in Hard copies at the office of MANIREDA.'

N.B. : MANIREDA reserves the right to cancel the Tender without assigning any reason or without bearing any liability, whatsoever, consequent upon such decision.

Sd/- **W. Suraj Singh**
Director, MANIREDA

HL-B/7317/28

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; LILONG, THOUBAL**

**Ref : R.R. No. 337/SDC/L**

**Urirei W/o (L) Md. Kiyamuddin of Thoubal Moijing**

/ NOTICE

Lilong, 25th Nov, 2021

Notice অসিন মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঙ্গরি মদুদি Urirei W/o (L) Md. Kiyamuddin of Thoubal Moijing, P.O. & P.S. Thoubal না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবিয়ু হায়না উক্তা Court SDC/Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্কুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Lilong

HL-P/9670/28

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; LILONG, THOUBAL**

**Ref : R.R. No. 372/SDC/L**

**Manirjan Bibi W/o (L) Md. Najiruddin of Thoubal Moijing Khong Manung Taba Leikai**

/ NOTICE

Lilong, 25th Nov, 2021

Notice অসিন মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঙ্গরি মদুদি Manirjan Bibi W/o (L) Md. Najiruddin of Thoubal Moijing Khong Manung Taba Leikai, P.O. & P.S. Thoubal না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবিয়ু হায়না উক্তা Court SDC/Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্কুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Lilong

HL-P/9671/28

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (CENTRAL) : MANIPUR**

**Ref. Mutation Case No. 1820/SDC/IW(C) of 2021, dt. 26/11/2021**

Rajkumari Geetasana Devi W/o (L) Thokchom Bikram Singh of Kwakeithel Thokchom Leikai .... Petitioner

-Versus-

(Late) Thokchom (N) Manileima Devi W/o (L) Gourahari Singh of Kwakeithel Thokchom Leikai .... O.P.

/ NOTICE

Lamphel, 27th Nov, 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Thokchom (N) Manileima Devi W/o (L) Gourahari Singh গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তহশিলগী খুল নং 42-Keishamthong অরিবা পাট্টা নম্বর 867 অনৌবা পাট্টা নম্বর 465 দাগ নং 83 অমসুং এরিয়া .0044 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিগী মশুগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central) উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানীংদবা য়াওরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (Central)

HL-P/0769/28

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST**

**Ref :- Mutation Case No. 335/SDC/SWG of 2021**

(Party) Sagolsem Lolitabi Devi W/o (L) Achouba Singh of Pungdongbam Mayai Leikai - Petitioner

-Vs-

(Late Pattadar) Sagolsem Achouba Singh S/o (L) Tombi Singh of Pungdongbam - Opposite Party

/ NOTICE

Sawombung, the 27th Nov, 2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিল খুল নং ২৭-পুংদোংবম পাট্টা ৪৪৬ (অনৌবা) দাগ নং ৮২১ মোট এরিয়া ০.৬৩ একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার শগোলশেম অচৌবা সিংহ অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কক্লগা মহাক্কী মমিংদা নমা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East

HL-P/0771/28

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NINGTHOUKHONG**

**Ref. Mutation Case No. 286/SDC/NTK/2021**

Loukrakpam Jayanta Singh S/o Late L. Bijoy Singh of Naranseina - Petitioner

-Vs-

Late, Loukrakpam Bijoy Singh S/o Late L. Thambou Singh of Naranseina - Opponent

/ NOTICE

Ningthoukhong the 27th November 2021

Notice অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি। মদুদি 48-Naranseina Village গী 1. Patta No. 127 (O), 15 (N) C.S. Dag No. 1380 Area 0.10 acre গী ইংখোল অমদি 2. Patta No. 127 (O), 16 (N) C.S. Dag No. 1379 গী ইংখোল ক্লাস অসিগী কো পাট্টাদারগী শরুক অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচানুপা (Petitioners) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইংখোলশিং অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong

HL-P/7316/28

**CONDOLENCE**



মণিপুর চেছ এসোসিএসনগী Vice President ওইবিরম্বা শ্রী খাগোকপম অমর সিংহ, কোংপাল লাইশ্রম লৈকাইদা লৈবনা হৌখিবা তাং ২৪/১১/২০২১ ইং, য়ুমশকৈশা নুমীৎতা মশাগী অনাবনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে।

মণিপুর চেছ এসোসিএসননা শ্রী অমরনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসিগীদমক এসোসিএসনগী ওফিসতা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা লৈদুনা লৈখিদ্রবগী আত্মাবু ইকাই খুম্নখি।

শ্রী অমরনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা অৱাবা থেংনরিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং পূম্নমক্সু পূক্নিং ফাথদুনা ঈংনা-চিক্না লৈবা ঙম্বা ওইবীয়ু হায়নসু এসোসিএসনগী মায়কৈদগী নোল্লুকচরি।

Sd/- **Th. Nabachandra Singh**
Secretary, MCA

HL-P/0768/28

**/ অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা, অমাংথোঙদা শারগা লৈবা, অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা, শা-ঙা চারগনা হেনবা, অমাংথোঙ মনুংদু খুজিল্লকপগুম তৌরকপা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা, পূকচেপ নাবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা অহানবা হৌরকপা মতমদা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা য়াম্না হাক্কৎচবা, হাক্কৎচবা অদু খোৎপা মতমদা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু তৎলগা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বদা তিনকুপ য়াম্না য়াওরকপা, নুমিদাং তুম্লগা অহিংদা মীকপ থোক্লকপা মতমদা অমাংথোঙদা হাক্কৎচৈ হায়না য়েংবদা মতমদা অমাংথোঙদা তিনকুপ য়াম্না লৈরম্বা, অদুগী মতুংদা খোঙ হাম্বসু য়ারক্তবা, খোঙ হাম্লগসু হামেং মথিগুম্বা মরূ-মরূ খজিক্তং হাম্লগা তোকপা, অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা অদুনা য়াম্না নাবা অমদি থুপ্পা শাবা তৌবা, শা-ঙা চারগা ঈ তারকপা, চাদ্রগনা ঈ তাখিবা অদু লেপখিবা, অঙাং মীরোল্লগা থা ৭/৮ শুরকপা অদুৱাইদা খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙসু মপূং ফানা হাম্বা শুকয়া য়াদবা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোরকপা, অমাংথোঙ মনুংদু খুজিল্লকপা, অঙাং পোক্লবা মতুংদা অমাংথোঙদা চাওনা পোমথোরকপা, ফম্বদসু নাবা, খোঙ হাম্লগসু নাবা, অমাংথোঙদা চাওথোরকপা অদুনা পূকচেপ নাবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।


লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবী :* **N. Chandani Devi**
Thoubal

HL-B/7295/28

COMPETITIVE SUCCESS TUTORIALS
URIPOK OVERBRIDGE POINT, IMPHAL 795001
REGISTRATION OPEN

Regular course for Medical & Engineering Exam 2022
Foundation Course for Class XI-XII Science.
Class starts on 6th December 2021 with proper SOP
(Morning – 6.00 a.m. to 8.00 a.m.) & (Evening - 4 pm. to 7.30 pm)
Course fee: Rs. 4500 per subject for class XI & XII science



Advisor & Administrator
Dr. K. Nabachandra
Ex Principal DM College
Retd. Principal MIT Takyel

Dr. Ch. Dhananjoy Singh
(Biology Lecturer)
Former Lecturer (Zoo)
DM College of Science
15 year of Teaching Exp.

Ch. Naoba Singh
(Physics Lecturer)
AIEEE Topper (2008)
KIIT University, Orissa
5 year of Teaching Exp.

Dr. Khaidem Binky
(Biology Lecturer)
M.Sc, Ph.D Biology
Former Lect. COMET
7 year of Teaching Exp.

Bandana Chongtham
(English Lecturer)
M.A, English 1st Class
Manipur University
7 year of Teaching Exp.

Th. Rutanjit Singh
(Chemistry Lecturer)
M.Sc Chemistry
Former Lect. Millenium
4 years at AAKASH

S. Thouba Singh
(Maths Lecturer)
V T University
4 yrs of Teaching Exp.

Subjects: Maths, Physics, Chemistry, Biology & English
For more details please contact : 9862698495, 9612846299

HL-P/0764/27,28,29,30,1,2,3